# ফেরা কেস : দিল্লিগী কোর্টনা বিজয় মালিয়াবু মীচেননি হায়না লাউথোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, জান্যুৱারী ০৪ (এজেন্সী): ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ঈ দি)না ফোরেন এক্সচেঞ্জ রেগ্যুলেসন এক্ট (ফেরা)কী কেস অমগা মরী লৈননা কৌখৎপদা মশা লাকখিদ্রবা বিজয় মালিয়াবু দিল্লিগী কোর্ট অমনা মীচেননি হায়না লাউথোকখ্রে।

হঞ্জিন-হঞ্জিন কৌবদা মশা লাকখিদ্রে হায়বা খঙলবা মতুংদা চীফ মেট্রোপোলিটান মেজিষ্ট্রেট দিপক সেরাৱটনা মালিয়াবু মীচেননি হায়না লাউথোকপগী য়াথং অমা পীখি। নুমিৎ ৩০ নিগী মনুংদা মশা লাকখিদ্রবা বিজয় মালিয়ানা মহাক্কী মহুৎ শীনবা মীওই অমত্তা কোর্টতা থারকখিদবা মরম্না খূদক্তা মহাকপু মীচেন ওইনা লাউথোক্লে হায়না কোর্টনা ফোঙদোকখি।

দিসেম্বর ১৮ দা ঈ দিনা মালিয়া কৌবদা লাকখিদবগী ৱাফম চীফ মেট্রোপোলিটান মেজিষ্ট্রেট সেরাৱটতা খঙহনবা লৈখ্রবনি। ঈ দিনা হায়খি মালিয়াগী ওফিস অমদি ময়ূমদা সমোন থাবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা পাউচেশিংদা নোটিশ হাপখ্রবসু মালিয়ানা মশা লাকপা তৌখিদে।

নবেম্বর ৮ দা ঈ দিনা ফেরা কেসকা মরী লৈননা মালিয়াবু মীচেন ওইনা লাউথোকপীনবা কোর্টতা থবক পায়খৎপা হৌখ্রবনি। কুমজা ২০১৬ কী জুলাই ৯ দা কোর্টনা য়াথং অমা থোক্তুনা মালিয়াবু চহী অদুমক্কী সেপ্টেম্বর ৯ দা মশা লাক্লবা খঙহনখি।

ঈ দিগী রিপোর্ট মতুংইন্না লন্দনদা পাঙথোকপা ফোর্ম্যুলা ৱান ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা কিংফিশরগী লোগো দিসপ্লে তৌহনবগীদমক মালিয়ানা বৃটিশ ফার্ম অমদা দোল্লর ২০০,০০০ পীখি। কুমজা ১৯৯৬, ১৯৯৭ অমদি ১৯৯৮ দসু য়ুরোপকী লৈবাক খরদা চপ মান্নবা মওংদা মালিয়ানা শেল পীদুনা কিংফিশরগী লোগো দিসপ্লে তৌহনখি। ফেরাগী কাঙলোন থুগায়দুনা রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী অয়াবা য়াওদনা থৌওং অদু চখিবনি হায়না ঈ দিনা মরাল শীখি।

অমরোমদা, লুপা ক্রোর ৯,০০০ গী লোন লৌখ্রগা শিংগৎলক্তবা অমসুং মনি লোন্দরিংগী চার্জ মায়োক্লরিবা বিজয় মালিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা দোল্লর বিলিয়ন ১.৫ ফাজিন্দুনা থম্নবা য়ু কেগী কোর্ট অমনা খঙহনবা লৈখ্রবনি। য়ু কে হায় কোর্টতা ইন্দিয়াগী বেঙ্ক ১৩ না পীখৎলকখিবা দোক্যুমেন্টশিংগী মতুংইন্না চহী অসিগী এপ্রিল থা ফাওবগী মনুংদা হিয়ারিং চখুনবগীদমক মালিয়াবু কোর্টতা মশা লাকহনগদবনি হায়রি।

ইংলেন্দগী হায় কোর্ট ওফ জষ্টিশকী ক্বিন'স বেঞ্চ দিভিজনদা ফাইল তৌরকখিবা লিটিগেসন অমদা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, ষ্টেট বেঙ্ক ওফ বরোদা, কোর্পোরেসন বেঙ্ক, ফেদরেল বেঙ্ক লিমিটেদ, আই দি বি আই বেঙ্ক, ইন্দিয়ন ওভরসিজ বেঙ্ক, জম্মু এন্দ কাশ্মীর বেঙ্ক, পঞ্জাব এন্দ সিন্দ বেঙ্ক, পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ক, ষ্টেট বেঙ্ক ওফ মাইসোর, য়ুকো বেঙ্ক, য়ুনাইটেদ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া অমদি জে এম ফাইনান্সিএল এসেট রিকন্সট্রক্সন কোওপরেটিব প্রাইভেট লিমিটেদনা বিজয় মালিয়াগী মায়োক্তা ৱাকৎ কয়া পুখৎলকখি।

মমাং চহীগী জান্যুৱারী ১৯ দা কর্নাটাকাগী দেব্ট রিকোভরি ট্রাইব্যুনেলনা বিজয় মালিয়াগী মথক্তা পীখিবা য়াথং অমা পল্লদুনা ইন্দিয়াগী বেঙ্কশিংনা হায়খি, বিজয় মালিয়ানা লোন ওইনা লৌখ্রগা শিংগৎলক্ত্রিবা শেনফমশিং অথুবা মতমদা শিংগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

# ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জনা মরম ওইরগা মী শিহনখিবগী খূদম ফংবা ঙমদ্রি : গভর্ণমেন্ট



ন্যু দিল্লি, জান্যুৱারী ০৪ (এজেন্সী): তোঙান-তোঙানবা ওনলাইন গেমশিংনা খূদোংথীবা থোকহল্লকপগী মতাংদা মীয়াম্না মীপাইবা পোক্লরিঙৈগী চৈরক্তা গভর্ণমেন্টনা হায়খ্রে মদুদি, ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জ গেম শান্নবদগী কনাগুম্বা মীওই অমত্তা মশা মথন্তা শিজখিবগী থৌদোক থোকপা লৈত্রি।

লোক সভাদা হীরম অসিগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙখিবদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম হন্সরাজ অহিরনা হায়খি, তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জ গেম শান্নরুবদগী চহী নৌরিবা অঙাং কয়া মশা মথন্তা শিজখি হায়বা পাউ ফংখি। ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি খূদিংমক্তা ৱাফম অসি কুপ্না য়েংশিন্নবা খঙহনখিবগা লোয়ননা কম্প্যুটর ইমর্জেন্সি রেস্পোন্স টিম-ইন্দিয়া (সী ঈ আর টি-ইন)গী দিরেক্টর জেনরেলনা চ্যেরমেন ওইবা কম্মিটি অমা শেমদুনা থিগৎহনখি। হৌজিক ফাওবদা ওনলাইন গেম অসি শান্নরুবদগী কনাগুম্বা মীওই অমত্তা মশা মথন্তা শিজবগী থৌদোক থোকখিবা লৈত্রি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

খূদোংথীনিংঙাই ওইবা ওনলাইন গেম ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জ থিংনবগী মতাংদা থাঙ্গৎলকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমগা মরী লৈননা এফিদেবিট ফাইল তৌরক্লবা বোম্বে হায় কোর্টনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

সিটিজন সর্কল ফোর সোসল ৱেলফ্যের এন্দ এদ্যুকেসন কৌবা এন জি ও অমনা খূদোংথীনিংঙাই ওইরবা ওনলাইন গেম অসি থিংজিন্নবা পি আই এল অমা ফাইল তৌরকখিবনি।

চীফ জষ্টিশ মঞ্জুলা চেলুরনা লুচিংবা বেঞ্চ অমদা সেন্টরগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট হিটেন ভেনিগাউনকরনা হায়খি মদুদি, চপ মান্নবা কেস অমা গুজরাট হায় কোর্টতা পন্দুনা লৈরি। গেম অসিগী মতাংদা সেন্টরনা পীখিবা চেকশিন ৱারোল পূম্নমক গুজরাট হায় কোর্টতা ময়েক শেংনা খঙহনবা লৈখ্রে। ৱাফম অদু তারবা মতুংদা চীফ জষ্টিশ মঞ্জুলা চেলুরনা হায়খি, য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা চয়োল অমগী মনুংদা হীরম অসিগা মরী লৈননা এফিদেবিট অমা ফাইল তৌরক্কদবনি। হীরম খূদিংমক্তা কোর্ট অমসুং গভর্ণমেন্ট খক্তনা এক্সন লৌখৎকনি হায়না খনবা চুমদে। মমা-মপা ওইবশিংনসু মচাশিংবু চেকশিন্না শেন্নবা মথৌ তাই।

মমা-মপা ওইবশিংনদি মচাশিং কোলেজদা লাইরিক তম্লি হায়না খল্লগা অঙাংশিংনা কোইদুনা লৈবা অমসুং গেম শান্নবদা খঙহৌদবদগী লাইবক থীবা থৌদোক কয়া থোকখিবনি। ওনলাইন গেমগী মতাংদা মমা-মপা ওইবশিং ৱাখল তাহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা দুর্দশন অমসুং প্রাইভেট মীদিয়া হাউসশিংদা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

# 'সান্তনু ভোমিক হাৎখিবদা চেন্নবশিং বি জে পিনা কনখৎলে'

অগরটালা, জান্যুৱারী ০৪ (এজেন্সী): লৈখিদ্রবা পাউমী সান্তনু ভোমিক হাৎখিবগী কেসতা চেন্নবা মীওই অনী বি জে পিনা কনখৎতুনা থম্লে হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া-মার্ক্সিষ্ট (সী পি আই-এম)না মরাল শীখ্রে।

ইন্দিজিনস পিপলস ফ্রন্ট ওফ ত্রিপুরা (আই পি এফ টি)গী মেম্বর মঙা ত্রিপুরা প্রদেশ বি জে পিগী লুচিংবা সুনিল দিওধারনা তরাম্না ওক্তুনা পার্টিদা য়াওহনবা লৈখ্রবনি। হায়রিবা মীওই মঙা অসিগী মনুংদা রমেন্দ্র দেববর্মা অমসুং পুসরাই দেববর্মা কৌবা মীওই অনী সান্তনু ভোমিক হাৎখিবদা চেন্নৈ হায়না চিংনবা মীওইনি হায়রি।

মীহাৎ অসিবু থিগৎলিবা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি)না দিসেম্বর থাদা পীখৎলকখিবা চার্জসীটতা মীওই অনী অসিগী মমিং য়াওখি। মরাল লৈরে হায়না চিংনরিবা মীওই অনীমক অথুবা মতমদা বি জে পিনা পুলিসতা খূৎশিন্নগদবনি হায়না সী পি আই-এম সেন্ট্রেল কম্মিটিগী লুচিংবা গৌতম দাসনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, বি জে পিনদি সী পি আই-এমগী ৱাফম অসি য়ূম্ফম য়াওদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

বি জে পিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট বিপ্লব কুমার দেবনা হায়খি, মীওই অনী পার্টিদা য়াওরকখিবদু মশাগী অপান্বা মতুংইন্না য়াওরকপনি। মখোয়বু নমদুনা কৌশিনখিবা লৈতে।

জর্নেলিষ্ট সান্তনু ভোমিক হাৎখিবগী মতাংদা প্রেস কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (পি সী আই)না ত্রিপুরা গভর্ণমেন্টতা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীরক্লবা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা পি সী আইনা ষ্টেটকী চীফ সেক্রেটরি, হোম সেক্রেটরি অমসুং দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসতা অইবা চেরোল থাখি।

ৱেষ্ট ত্রিপুরাগী মন্দাইদা আই পি এফ টি অমসুং ত্রিপুরা রাজের উপজাতি গন্নমুক্তি পরিষদ (টি আর য়ু জি পি)কী থৌমী মশেল খূৎথোক্লবগী থৌদোক অমা পাউ লৌরিঙৈদা ভোমিকপু মীওই খরনা ফূরগা হাৎখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা আই পি এফ টিগী মীওই মরি ফাখি।

অহানবদা মীওই অমনা ভোমিককী মখোঙদা চৈনা কনবদগী লৈমায়দা তুশিনখি। লৈমায়দা তুরবা মীওই অদুদা মীয়াম চঙদুনা মকোক্তা ফূবদগী পাউমী অদু শিখিবনি। মীওই খরনা পাউমী অদুগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং মনাক নকপা লোকল ষ্টেদিয়ম অমদা পুশিল্লগা থন্লমখি হায়না থৌদোক অদুবু উহৌবা অগরটালাগী পাউমী অমনা ফোঙদোকখিবনি।

ফেদরেসন ওফ প্রেস ক্লবস ওফ ইন্দিয়ানা সান্তনু ভোমিক হাৎখিবগী থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি। আই পি এফ টিগী মেম্বরনি চিংনবা মীওই খরনা লোকল টি ভি চেন্নেল অমগী করেস্পোন্দেন্ট সান্তনু ভোমিক হাৎখিবগী থৌওং অদু অকনবা মওংদা য়ানিংদে। মথৌ পাঙথোক্লিবা পাউমী অমবু ৱাখল য়াওদবা মওংদা তমথীনা হাৎখিবা থৌওং অদু মীপুম খূদিংমক্না কন্দেম তৌফম থোকই হায়না ফেদরেসননা থাদোরকখিবা ৱারোল অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা ফোঙদোকখিবনি।

# অসামদা খুন্দারিবা মুস্লিম ফুরুপকী মীওইশিং মীপাইবা পোক্লরে

গুৱাহাটি, জান্যুৱারী ০৪ (এজেন্সী): অসামদা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সী)গী অহানবা দ্রাফ্ট ফোঙলকপদা মমিং য়াওরকখিদ্রবা মীওইশিং মীতোপনি হায়না তাম্হোরক্কদ্রা খনবদগী মুস্লিম কয়া মীপাইবা পোক্লরে।

মার্জিনা বিবি কৌবী মুস্লিম নুপী অমনা এজেন্সীদা হায়খি মদুদি, নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিং নোংয়াইদা ফোঙখিবা এন আর সীদা মীওই কয়াগী মিং য়াওহল্লকখিদবগী থৌওং অদু য়ানিংদে। মতম কয়াগী মমাংদগী অসামদা খুন্দাদুনা লৈরকখিবগা লোয়ননা ভোটর আইদেন্টিটি কার্দ পায়বা মরম্না কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা মীখলদা ভোট থাদখি। অদুবু, এন আর সীগী অহানবা দ্রাফ্ট ফোঙলকপদা মিং য়াওরক্তবদা অঙকপা পোকই।

এন আর সীগী অহানবা দ্রাফ্ট ফোঙলকপদা মমিং য়াওরক্তবা মীওই অমা মশা মথন্তা শিজবা লৈখ্রবনি। সিলচরগী করিমগঞ্জদা লৈবা মীওই অমা লিষ্টতা মমিং য়াওরক্ত্রে হায়বা খঙবদগী মশা মথন্তা থৌরী য়ান্দুনা শিজখিবনি। এন আর সীদা মমিং য়াওদবা মীওইশিং মপান লৈবাক্তগী অয়াবা য়াওদনা চঙলকখিবা ঙাক্তনি হায়না লৌবগা লোয়ননা মরৈবাক্তা হলহনখিনবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না মীপাইবা পোক্লরি।

এন আর সীদা মমিং য়াওরকখিদ্রবা মীওইশিংগী মনুংদা ধুব্রি দিষ্ট্রিক্টতগী বাদ্রুদিন অজমল কৌবা এ আই য়ু দি এফ পার্টিগী লোক সভা মেম্বর অমা য়াওরি। অসামদা মীশীং য়ামজদবা কাঙলূপকী লুচিংবনি হায়না লৌনরিবা অজমলগী মমিং এন আর সীদা য়াওরক্তবদা মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখি। অদুবু, অথিংবা থমখ্রবা য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম (উল্ফা)গী লুচিংবা পরেশ বরুৱাগী মমিংদি এন আর সীগী দ্রাফ্ট লিষ্টতা য়াওরকখি।



HL-P/4847/24Dec-24Jan.(Alt)



HL-B/4250/30/11-26/1(alt.)

# ভিমা কোরেগাউনদা থোকখিবা হাৎন-শুনবা থৌদোক্কী মতাংদা দলিট ওর্গনাইজেসনশিংনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

কালাবুরাগী, জান্যুৱারী ০৪ (এজেন্সী): মহারাষ্ট্রগী ভিমা কোরেগাউনদা থোকখিবা খৎন-চৈনবগী থৌদোক অমবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা দলিট সঙ্ঘতনেগলা সমানভয়া সমিটিনা লুচিংবা তোঙান-তোঙানবা দলিট ওর্গনাইজেসনশিংনা ঙসি খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীওইশিংনা মহারাষ্ট্র গভর্ণমেন্টপু খৎন-চৈনবগী থৌদোক মতম চানা থিংবা ঙমখিদবগী মতাংদা স্লোগান কয়া লাউদুনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সমিটিগী কনভিনর বিটাল দোদামাইনিনা হায়খি মদুদি, ভিমা কোরেগাউনগী লানফমদা দলিটশিংনা বৃটিশ ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পেনিগী মায়কৈদা লেপ্তুনা মরাঠাশিং য়াওবা পেস্বা আর্মি মায়থীবা পীখি। থৌদোক অদুবু নীংশিংবা ওইনা চহী খূদিংগী জান্যুৱারী ১ দা বিজয় দিবসকী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। বি জে পি অমদি সঙ্ঘ পরিবারনা ইনশিল্লগা হন্দক্কী চহী হৌবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা থৌরমদা হাৎন-শুনবগী থৌদোক থোকহনখিবনি হায়না মহাক্না মরাল শীখি।

ঙরাংসু দলিট লূপশিংনা মহারাষ্ট্রগী মফম শীনবা থুংনা কৌখিবা বন্দনা মরম ওইরগা মহৌশাগী পূন্সিদা চাওনা অকায়বা থোকহনখ্রবনি।

পুনেগী কোরেগাউন-ভিমাদা থোকখিবা খৎন-চৈনবগী থৌদোক অমবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা দলিট ফুরুপকী মীওইশিংনা মহারাষ্ট্রগী মফম পূম্নমক্তা বন্দ কৌখিবনি।

পুনেগী কোরেগাউন-ভিমাগী থৌদোক অদু মহারাষ্ট্রগী অতৈ মফমশিংদসু শন্দোরকপদগী থানেদা আই পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা থমদুনা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রবনি।

মশীং য়াম্লবা দলিট ফুরুপকী মীওইশিংনা থানে অমদি পলঘারদা ট্রেন সার্ভিস থিংখিবগা লোয়ননা মুম্বাই অমসুং অতৈ মফম খরদা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ চৎখি। দলিট এক্টিভিষ্টশিংনা স্লোগান লাউদুনা রেল লম্বী থিংখিবগা লোয়ননা মফম খরদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা মুক্নবগী থৌদোক থোকখি। মুম্বাইদদি চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা স্কুল বস অমত্তা চেনখিদবা তারবসু মহৌশাগী মতৌগুম কোলেজ অমসুং স্কুলশিং থোঙ হাংনখি।

চৈরকসিদা, মরাঠা ফুরুপকী লূপ অমা ওইরিবা সকাল মরাঠা ক্রান্তি মোর্চানা ভিমা কোরেগাউনগী থৌদোক থোকহনখিবা মীওইশিং ফারগা মতিক চাবা চৈরাক পীবগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অমদি অশোক-অপন নংলবা মীওই পূম্নমক্তা মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীগদবনি হায়না তকশিনখ্রে।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI**

***Ref:- Mut. Case No. 4/SDC/IW(P) of 2018***

Shri Loitongbam Ibomcha Singh S/o (L) Muhindro Singh of Taobungkhok Mayai Leikai. *-Petitioner*

-Vrs-

Late Loitongbam Nityaichand Singh S/o (L) Mukta Singh of Taobungkhok. *-O.P. Party*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

04/01/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ৮১-তাওবুংখোক-কী পাট্টা নম্বর ১৩৭ (অরিবা), ৩৯৮ (অনৌবা), দাগ নম্বর ৬৫৫ গী পোইন্ট ০.৭০ একর চাওবা অঙনফৌ লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১১/০১/২০১৮ ইংগী অয়ূক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

*Sd/-* **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/4889/5

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR**

***Ref:- Mut. Case No. 4/SDC/Bishnupur, 2018***

Thoudam Sundari Devi W/o (Late) Th. Manglemba Singh of Toubul. *-Petitioner*

-Vrs-

1. Thoudam Ningthemmani Singh S/o (L) Manglemba Singh of Toubul.
2. –Do– Radharani Devi D/o –do– of –do–.
3. –Do– Nikita Devi D/o –do– of –do–.

*-O.P.*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

Bishnupur, the 4th Jan. 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Co-pattadar No. 1, 2 and 3 S/o, D/o Thoudam Manglemba Singh of Toubul দা লৈবগী মীংদা পানবা পাট্টা নং 36/382 (অরিবা)। 202 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নম্বর 1262 গী 0.36 চাওবা ইঙ্খোল অসি পট্টাদার মশাশিং মপানদা লোইনা লৈখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নরগী মীংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চৎথগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector Bishnupur**

HL-P/4888/5

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI**

***Ref:- Mut. Case No. 3/SDC/IW(P) of 2018***

Shri Loitongbam Ibomcha Singh S/o (L) Muhindro Singh of Taobungkhok Mayai Leikai. *-Petitioner*

-Vrs-

Late Loitongbam Modhumangol Singh S/o L. Nityaichand Singh of Taobungkhok. *-O.P. Party*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

04/01/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ৮১-তাওবুংখোক-কী পাট্টা নম্বর ৯৯ (অরিবা), ৩৮৭ (অনৌবা), দাগ নম্বর ৩৭৫ গী পোইন্ট ০.৪৭ একর চাওবা ইঙ্খোল লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১১/০১/২০১৮ ইংগী অয়ূক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

*Sd/-* **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/4889/5

**No: IMC/P/SBM-SS/2018**

**OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION**

**NOTICE**

Imphal, the 31st December, 2017

This is to notify to the general public that the result of the cleanliness competition of Hotels organized by Imphal Municipal Corporation during the last week of December 2017 is hereby declared. The top three Hotels in order of merit in the cleanliness ranking in their respective categories are :

| SPECIAL CATEGORY | | GENERAL CATEGORY | |
|---|---|---|---|
| Rank | Name of Hotel | Rank | Name of Hotel |
| 1 | Classic Grande | 1 | Sangai Continental |
| 2 | Classic Hotel | 2 | The Sangai Hotel |
| 3 | Hotel Imphal | 3 | The Kombirei Inn |

The above Hotels will be awarded on a special function to be organized by Imphal Municipal Corporation.

*Sd/-* **Th. Harikumar Singh**
***Municipal Commissioner***
Imphal Municipal Corporation

HL-P/335/5

**No: IMC/P/SBM-SS/2018**

**OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION**

**NOTICE**

Imphal, the 31st December, 2017

This is to notify to the general public that the result of the cleanliness competition of Hospitals organized by Imphal Municipal Corporation during the last week of December 2017 is hereby declared. The top three Hospitals in order of merit in the cleanliness ranking are :

1. Shija Hospital and Research Institute
2. Raj Medicity
3. Advance Speciality Hospital and Research Institute

The above Hospitals will be awarded on a special function to be organized by Imphal Municipal Corporation.

*Sd/-* **Th. Harikumar Singh**
***Municipal Commissioner***
Imphal Municipal Corporation

HL-P/335/5

**No: IMC/P/SBM-SS/2018**

**OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION**

**NOTICE**

Imphal, the 31st December, 2017

This is to notify to the general public that the result of the cleanliness competition of Markets/ Market Associations organized by Imphal Municipal Corporation during the last week of December 2017 is hereby declared. The top three Markets in order of merit in the cleanliness ranking are :

1. Purana Bazaar
2. Kwakeithel Bazaar
3. Tribal Market, New Checkon

The representatives of the above Markets will be awarded on a special function to be organized by Imphal Municipal Corporation.

*Sd/-* **Th. Harikumar Singh**
***Municipal Commissioner***
Imphal Municipal Corporation

HL-P/335/5

**No: IMC/P/SBM-SS/2018**

**OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION**

**NOTICE**

Imphal, the 3rd January, 2018

Whereas Notice inviting public objection to the declaration of all the 27 Wards of Imphal Municipal Corporation as Open Defecation Free (ODF) was issued on 20th December 2017 and whereas no objection/claim has been received by this Corporation as on 3rd January 2018. Now, therefore, in pursuance of the Resolution No. 7 of the Special Meeting of the House of Imphal Municipal Corporation held on 20th December 2017, it is hereby declared that all the entire area jurisdiction of Imphal Municipal Corporation covering all the 27 Wards is Open Defecation Free.

*Sd/-* **Th. Harikumar Singh**
***Municipal Commissioner***
Imphal Municipal Corporation

HL-P/335/5

**No: IMC/P/SBM-SS/2018**

**OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION**

**NOTICE**

Imphal, the 31st December, 2017

This is to notify to the general public that the Imphal Municipal Corporation organized a cleanliness competition of Leikais/Mohallas during the last week of December 2017. However, only two Leikais showed interest in taking part in the competition. The names of the club representing the two Leikais are :

1. **The Juvenile Learners' Club (Wangkhei Tokpam Leikai**
2. **The Youths' Club Brahmapur (Brahmapur Khongman Maru)**

These two clubs shall be conferred a certificate of appreciation on a special function to be organized by Imphal Municipal Corporation.

*Sd/-* **Th. Harikumar Singh**
***Municipal Commissioner***
Imphal Municipal Corporation

HL-P/335/5